# লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনদ্রবনিনা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি : কে এস এ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :
কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না মীতোপ্পা মীরেপ ওইহল্লোইদবনি হায়বা খোঙজং হেন্না কনশিল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন অর্পননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীতোপ মীয়ানচা কয়ানা লমদমসিদা চঙশিল্লক্তুনা খুন্দাবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিংনা লাঙ্গৈাই চনশিল্লক্তুনা ঙসিদি ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন মখোয়গী মপান তাংবগুম্না তৌরক্লি। লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী কয়ানা মখোয়না মায়োক্ল রিবা থৌওং কয়া অমদি তোঙান তোঙানবা মরম কয়ানা মশাগী লৈজবা লৌ-ইস্থোল য়েস্থোক্তুনা হোৎনরক্লি।

অমরোমদা, মপান্দগী চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিংনা তপ্না তপ্না লাঙ্গৈাই চল্লক্তুনা লৈঙাক অসি পায়নবা হোৎনরক্লি অমদি পায়বসু হৌরক্লি হায়রি। অসিগুম্বা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা লমদম অসিবু মীতোপশিংদগী কঞ্জনবা লমদম অসিদা মীতোপ্পা ভোট লেপ্পা য়াদনবা অমদি মীতোপ্পা মশীং হেনগৎলক্লিবা এ সীশিং য়েলহৌমীশিংগী রিজার্ব তৌনবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিবু নমথনবগী মায়কৈ কয়াদগী অথিংবা, অপনবা পীনবা হোৎনবসু লৈতবা নত্তে হায়রি।

মহৈ তমজরিবা মহৈরোয় কয়ানা ঐখোয় য়েলহৌমী অমা ওইনা লমদমসিদা পোকপা মীওই অমা ওইনা হিংবগী মহাও খঙনা লৈবা পামই, মীতোপকী মখাদা ঐখোয় হিংবা পামদে হায়দুনা মহৈ তম্না তম্না খোঙজং চঙশিনবা হৌরক্লি। অদুবু মহৈরোয় হায়বসিদি লাইরিক খক্তমক তমগদবনি হায়দুনা লান্না মহৈরোয়শিংবু হু কামশিন্দুনা খোঙজং অসিবু মায় পাকহন্দনবা হোৎনরক্লি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লূপ অসিনা ফোঙদোরকপদা ঙসি মহৈ তমজরিবা মহৈরোয়শিং অসি অফবা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইনবা মমা-মপা ওইরিবশিংনা হোৎনরি। মহৈরোয়শিংনসু অফবা মীওই ওইনবা হোৎনরি। অদুবু মহৈরোয় অদুনা শারেপ ফারক্লবা মতমদা মীতোপ্পা লৈঙাক পায়দুনা লৈরম্লবদি হৌজিক মহৈরোয়শিংনা হোৎনরিবা পুম্বা অরেম্বা তাগদৌরিবনি।

করপ্সন হায়বসি থিংবিনবা লৈতনা চেল্লিবা ঈচেল অমনি। মীতোপ্পা খুৎলিংদুনা পানখ্রবা অমদি মীতোপ্পা লৈঙাক পায়খ্রবা মতমদা লমদমসিগী মীওইশিংনা থবক ফংবগী তাঞ্জা য়াম্না নেমগদৌরিবনি। মতম অদুদা অমুক থবকসু ফংদবগী অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া লংলিঙৈ অফং অফংবা থবক শুনবা হোৎনরকপা মতমদা থবক শুনিংঙাই লৈরক্তবা, অমরোমদা লৈজরম্বা লৌ-ইস্থোল খরদগী থোরকপা মনা-মশিং য়োল্লবা মতুংদা ইমুং পুজরম্বা কয়া অদু লৌ-ইস্থোল য়োনখ্রবদি করম্না কদাইদগী মখোয়গী ইনকম লাক্কদৌরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

থবকসু ফংদ্রবা, থবক শুনিংঙাই লৈত্রবা অমদি মসিনা মরম ওইদুনা চানিংঙাই-থক্লিংঙাই লৈরক্ত্রবা অমদি লৈফম লৈরক্তদুনা য়েলহৌমীশিংনা উখোং ৱাখোংদা লেনবা পূন্সি অদু য়ৌরক্কদবা মতাং নকশিল্লক্লবা মতম অসিদা ঐখোয়দি মহৈরোয় অমা ওইনা লাইরিক তম্বা খক্তনা য়ারক্ত্রে। ঐখোয়গী হিংনবা অমসুং শিবগী তাঞ্জা অদু য়ৌরক্লে খন্দুনা মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিনবা হৌরক্লি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়েলহৌমী অমা ওইনা লমদমসিদা পোক্লগা লমদম অসিদা চাউরক্লগা মীতোপকী মখাদা হিংলবদি ঐখোয় মণিপুরী অমনি হায়বগী চাউথোকচবা অদু কদাইদনো হায়না হংলক্লি।

ঙসি শেম্লি-শারিবা লম্বী থোং খূদিংমক য়েলহৌমী ঐখোয়গীরা নৎত্রগা মীতোপকী শাবিরিব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। ঙসিগী লৈঙাক্কী অসিনসু এসেমব্লিগী ফ্লোরদা কে এস এগী খোঙজং অসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়দুনা এসেমব্লি লোইবগা থবক পায়খৎপা হৌরগনি হায়খিবদু হৌজিক ফাওবা পায়খৎতনা লৈরি। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি লৈঙাক অসিনা থম্মোয় শেংনা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্তবদগী থোকহনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। হৌজিক ফাওবা এসেমব্লিদা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লবদি খোঙজং অসি মখা চত্থরকখিদ্রা হায়না চেরোল অসিনা হংলক্লি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্লবা লাক্লিবা ওক্টোবর ৭ অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্চায়ট মীখল অসিদা মীতোপ মীয়ানচা অমত্তা ভোট লেপ্পা য়াদবা খোঙথাং পায়খৎপা হৌগদবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, লৈঙাক অসিগী থৌওং অসিনা য়েলহৌমীশিং মুৎখ্রসনু মতাগুম থবক তৌদুনা লৈরবদি মীয়াম্মা পড়া তম্বীরসি লোয়ননা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্চায়ট ইলেক্সন অসিদা লৈকায়দা লৈরিবা মীতোপ্পা ভোট লেপ্পা য়াদনা হোৎনমিন্নসি হায়রি।

ঙসিগী গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা য়েলহৌমীশিংগী ঈহৌ খঙনা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবনা মীয়াম্নসু গভর্ণমেন্টনা তৌবা ঙাইদনা মীয়াম্মা থিংনবা হোৎনবীয়ু। লৈকায় লৈকায়গী ইমা-ইবেলশিং, ইচিন-ইনাও পূম্নমক্লা মীকুপ নাহুম শীংনা লৈবিনবা লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি য়াম্না কুইনা লৈঙাক অসিগী করি ফীভমদা লৈবগে হায়বদু য়েংলকপনি। মরম অদুনা খোঙজং অসি তপ্না তপ্না চত্থরম্বনি। অদুবু লৈঙাক অসিনা থম্মোয় শেংনা য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনদ্রবনিনা খোঙজং অসি হেন্না কন্না চঙশিল্লগনি হায়রি।

মতম শাংনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পোজিটিব ওইবা খোঙথাং লৌখৎলক্কদ্রা হায়না খন্দুনা খোঙজং তপথদুনা লৈরম্বদু লৈঙাক অসিনা থওইদবা অমদি মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌদ্রবনিনা খোঙজং হেন্না কনশিন্নবগী ফিরেপ লৌরকপনি। মসিদা থোরকপা খূদিংমক্কী তেকচাক পূম্নমক লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়নসু কে এস এগী চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# দিসএবল্ড দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুরগী ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :
ওইনাম শওম্বুং অৱাং লৈকায়দা লৈবা দিসএবল্ড দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুর (দি দি এ এম)গী ১১শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি দি এ এমগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি য়ুনুস খাননা চহীগী ওইবা রিপোর্ট পাঙথোকখি। হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংগী থবক থৌরম কয়া পায়খত্তুনা লৈঙাক্লা খুদোংচাবা কয়া পীরিবা অসি লৌহৌনবগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি। হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিং অসি পুন্না অমত্তা ওইবগী ৱাখল খন্থবা মতম ওইরে হায়খি।

থৌরম অদুদা ডা. জসোৱন্ত সাপম এদভাইজর এস পি দি পি ও মণিপুর, এম দি ৱাহজুদ্দিন নেসনল এদভোকেট অমসুং দি দি এ এমগী এদভাইজর ওইরিবা এল অমরেন্দ্র শর্ম্মা নেসনল এৱার্দী অমদি এদভোকেট পাওসিলুং গোলমৈ এদভাইজর দি দি এ এম, পুয়াম সুরচন্দ্র প্রসিদেন্ট দি দি এ এমনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী ৱাহৌদোক পীখিবশিংনা ফোঙদোকখিবদা দি দি এমনা হৌজিক ফাওবদা তৌরক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি হকচাংগী ফীভম মপুং মরৈ ফারবা মীওইশিংনা তৌবদা ৱাগদবা ঙাক্তনি। মসিগীদমক্তা ঐখোয়না হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিং অসিবু থাগৎফম থোকই।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা ডা. জসোৱন্তনা হায়খি, দি দি এ এমনা তৌরিবা থবক থৌরম খূদিংমক পরম চুম্না পাঙথোকপা ঙাক্তনি হায়বসি তৌথোরক্লিবা থবকশিং অসিনা খঙবা ঙমই।

থৌরম অদুদা অমরেন্দ্র শর্ম্মনা হায়খি, ঐখোয় মীওইবসি অমত্তনি। মরম অদুনা খ্বাইদগী লায়বা উপায় ওইনা অমনা অমগী মতেং তৌনরবদি মালেমসিদা অৱাৎপা হায়বদু লৈরোই।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা সুরচন্দ্রনা হায়খি, ঙসি ফাওবদা দিসএবল্ড ওইরবা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওই কয়াগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা দি দি এ এমবু মীয়াম্না শৌগৎপীরবদি দিসএবল্ড ওইরবশিংগী ফংফম থোকপা রাইট অদু শোয়দনা ফংগনি হায়বা থাজৈ।

দি দি এ এমগী মেম্বরশিংনা শান্ন-খোৎনবদু নেসনল অমসুং ইন্টর-নেসনল প্লেয়র কয়া পুথোকপদা নত্তনা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা মেদল কয়া লৌরকপা লৈখ্রে। গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীবা তারবদি দিসএবল্ড ওইরবা তৌইগুম্বুং হোৎনবদি লেপত্রিবা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংনা ইরমদম অসিগী মিংচৎ পুরক্তুনা মালেমদা ইরমদম অসিগী তৌবা ঙম্বা অদু উৎপা ঙমগনি হায়খি।

এসোসিএসন অসিনা মমাঙ চহী অমসুং চৎলিবা চহী অসিগী ওইবা দিসএবল্ডগী স্কিম কয়া অদু মাঙহনবা য়ারোই হায়না তোঙান তোঙানবা এসোসিএসন কয়া পুল্লগা খোল্লাউ লাউরুবগী মহয়না ঙসিদি হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিং অসিগী ফংফম থোকপশিং অদু শোয়দনা ফংলগনি। লোয়ননা মশাগী কান্নবদা খনবা এসোসিএসন কয়া লৈরিবা অসিসু উনগুম্না শৌদোকখ্রগনি।

অনৌবা লৈঙাক অসিনা হন্দক্তা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা দিসএবল্ড ওইরবা মীওইশিং অসিগীদমক্তা পায়খৎলিবা স্কিম কয়া অসি মপুং ফানা পায়খৎনবা হোৎনবদা মীৎয়েং চঙলক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা দিসএবল্ড ওইরবা মীওইশিং অসিগীদমক্তা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরকখি।

## ফল হায়দোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ : রাষ্ট্রভাষা প্রচার সমিটি ৱর্ধাগী মখাদা চহী অসিগী এপ্রিলদা পাঙথোকখিবা রাষ্ট্রভাষা রত্ন এগজামিনেসনগী ফল হায়দোক্লে। অকুপ্পা মরোল সমিটি অসিগী পাউনা কৈথেলদা লৈবা ওফিসতগী খঙবা য়াগনি হায়না সমিটি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## থবক লেপ্পগী খোঙজং চত্থরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ : মণিপুরগী পোষ্টেল দিপার্টমেন্টকী মখাদা থবক তৌরিবা গ্রামিন দাক সেবক ইমপ্লোয়ী (জি দি এস)শিংদা থা অসিগী ১৬তগী চত্থরক্লিবা থবক লেপ্পগী খোঙজং নুমিৎ হুম্নি শুরে। খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা মণিপুর দিভিজনগী মখাদা লৈরিবা সব-পোষ্ট ওফিস অমদি হেদ পোষ্ট ওফিস পূম্নমক থবক অমত্তা শুনখিদ্রে। ওল ইন্দিয়াগী ওইনা চত্থরিবা মতম কক্তবা খোঙজং অসিগী মরুওইবা দিমান্দশিংদি জি দি এস ইমপ্লোয়ীশিংগী ৭শুবা পে অমদি সার্বিস কন্দিসনগা মরী লৈননা শেমখিবা জি দি এস কম্মিটিগী রিপোর্ট থা ২০ ফাখ্রবসু হৌজিক ফাওবা ইমপ্লিমেন্ট তৌবিদবা অসিনি। খোঙজং অসিদা শরুক য়ারিবা ষ্টাফশিংনা দিমান্দশিং অসি ফংদ্রিবা ফাওবা শরুক য়ামিন্নসি হায়না ওল ইন্দিয়া গ্রামিন দাক সেবক য়ুনিয়ন মণিপুর দিভিজন, এন ঈ সার্কলগী সেক্রেটরি এস য়াইমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## অফ-ফত্তগী থৌদাং সী এমনা পুগদবনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ : ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল টেন প্লস টু (মেল/সিবিল) ভাইভা-ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ফ্রেশ বেটচ "২০১৬, টেন প্লস টু" গী কেন্দিদেটশিংনা মীফম অমা ঙসি ফম্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর উননবা লাকপদা সিক্যুরিটিনা থিংবদগী উনবা চঙহল্লক্ত্রে। খোইশাওনরবা কেন্দিদেটশিংনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা সী এমগা ৱারী শানবগী অয়াবা পীরক্ত্রবদি মতুংদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং পূম্নমক চীফ মিনিষ্টরনা পুগদবনি হায়না লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি আর কে শিতলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## কেম্প্যেন চত্থখ্রে, উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ : হৈবোং লৈকায় য়ুথস এসোসিএসনগী ভোল্যুন্টি-য়রশিং, মৈরা পায়বীশিং অমদি ৱার্দ দিলভপমেন্ট কম্মিটি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মীওইশিংগা লোয়ননা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদ্রবা হৈবোং লৈরক্কী লম্বী থা অসিগী ১৩, পেট্রিওটস' দে অমদি নেসনল ক্লিনলিনেস কেম্প্যেনগা মরী লৈননা নুঙ অমদি লৈবাক হৈজিন্দুনা শেমজিনখ্রে। মসিগী মথক্তা অকোয়বদা লৈরিবা অমোৎপশিং শেংদোক্তুনা লু-নান্না থম্বদা নত্তনা উ চারা ১০০ রোমসু থাখ্রে হায়না হৈবোং লৈকায় য়ুথস এসোসিএসন হৈবোং লৈরক ক্যাম সিফাইগী সেক্রেটরি আর এস লাইশ্রম খুমনচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মীয়াম্না লুপা ১২,৮৪০গী মতেং পাংবীরকখি অমদি মখা তানা থা অসিগী ২২দা নেসনল হায়ৱেদা রোদ দোনেসন তৌদুনা ৱাৎহৌরিবশিং শেমজিনগনি। মসিদা মীয়াম অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং পাংবীয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

## লৈঙাক্লা ইলিমেন্টরি ওজাশিং দিপ্লোমা কোর্স তম্নবা ৱাফম ফোঙদোরকপবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :
পার্লিয়ামেন্টনা রাইটস টু এদ্যুকেসন এক্টপু এমেন্দ তৌদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমদি লন্নাই স্কুলশিংদা ইলিমেন্টরিগী থবক্তা ওজা ওইরিবা ওজা খূদিংমক কুমজা ২০১৯গী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা চহী ২গী দিপ্লোমা ইন ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসন (দি ঈ এল এদ) পাস তৌগদবনি হায়বসি লৈবাক অসিগী এদ্যুকেসনগী কাঙলোনদা অফবা মায়ওন অমনি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলস মণিপুরনা লৌই অমদি তরাম্না ওকই হায়রি।

কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলস মণিপুরগী কনভিনর এল জয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়, অফবা মরু চঙবা মহৈরোয় পুথোক্লবা হোৎনবদা অফবা মগুণ লৈবা ওজা মথৌ তাই। মরম অদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্টনা হন্দক লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি কম্মিটি অসিনা অপেনবা পোকই।

ওল মণিপুর রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফ্যের এসোসিএসন অমদি প্রাইভেট স্কুল ৱেলফ্যের কাউন্সীল অনীগী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিংনা অথুবা মতমদা কম্মিটি অসিগী মীহুৎশিং উনদুনা গভর্ণমেন্টকী অনৌবা পোলিসি অসিগী মতাংদা মপুং ফানা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

গভর্ণমেন্টনা থোরক্লিবা অনৌবা পোলিসি অসিনা রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিংদা করিসু অহেনবা চৈথেং পীগদবা লৈতে। লোয়ননা এমেন্দমেন্ট অসিনা রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিং মুথৎপা ঙমগদবসু লৈতে। ঙসি ফাওবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিংদা রাইটস টু এদ্যুকেসন এক্টকী মখাদা কান্নবা অমদি খুদোংচাবা অমত্তা পীখিবা লৈতে। রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিংনদি লৈবাক অসিদা মরু চঙবা লমদম অসিগী মীওই কয়া লেপ্তুনা পুথোক্তুনা লাক্লি।

সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মতম মতমগী ওইনা শেম্লকপা পোলিসি কয়াদা খুদুং ইন্দুনা লাক্লি। হন্দকসু রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিংনা শেমদোক্লিবা আর টি আইগী কাঙলোন ইন্দুনা গভর্ণমেন্টনা থারিবা মতমশিংদা ইলিমেন্টরি ওজাশিং ওইরিবশিং শোয়দনা দিপ্লোমা ইন ইলিমিন্টরি এদ্যুকেসন পাস তৌনবা গভর্ণমেন্টকী কাঙলোন ইন্দুনা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিংনা হোৎনগনি। লোয়ননা ইরমদম অসিগী তুংগী মহৈরোয়শিংদা অশেংবা অচুম্বা এদ্যুকেসনগী মঙাল পীনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। মরম অদুনা মেম্বর স্কুলশিংনা ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা ইলিমেন্টরি ওজাশিংগী এন আই ও এসদা রেজিষ্টর তৌনবা অথুবদা কম্মিটি অসিগী মীহুৎশিং উনবীয়ু হায়রি। রেজিষ্টর তৌহৌদবা স্কুলশিং অমদি ওজাশিংগী থৌদাং কম্মিটিনা পুরোই।

হন্দক গভর্ণমেন্টনা ইলিমেন্টরি ওজাশিংবু মখোয়গী ক্লাসতা অকায়বা লৈহন্দনা শেলসু ইচঙ চঙহন্দনা দিষ্টেন্স লর্নিংদা ওজাশিংবু চহী ২গী দিপ্লোমা কোর্স তম্বগী খুদোংচাবা পীরকপবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## ময়াই কাবা চীঙাক্লা পীবা চৈথেংগী মরমদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :
মহৈরোয়শিং অমদি মহৈরোয়-শিংগী মরক্তা পাক শন্না ময়াই কাবা চীঙাক, দ্রগ শীজিন্নরকপা অমদি মসিনা মরম ওইদুনা হামচৎনরবা পূন্সিরোল অমদা খোঙদারক্লিবা মীরোল অমা ওইরক্লি হায়না ক্রিপা সোসাইটিনা ফোঙদোরক্লি।

ক্রিপা সোসাইটিগী প্রোগ্রাম ওর্গনাইজনর থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফীভম অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইগী তুংলমচৎ নোংমা নোংমগী শান্নক্লি। খুন্নাই অসিগী য়াঙলেন শরু ওইরিবা মীরোল অমা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লাক্লিবা অসিদগী অঙাংশিংবু ময়াই কাবা চীঙাক দ্রগতগী কলহৌবা হায়বসি পূম্নমক্কী তঙাইফদবা থৌদাং অমনি হায়না খন্দুনা ক্রিপা সোসাইটিনা ময়াই কাবা চীঙাক্লা ঐখোয়গী নহাশিংদা পীরকপা চৈথেং মসিদগী কঞ্জহৌনবা পাম্বে হায়বা ইরমদম সিদা লৈরিবা স্কুলশিংগী ওথোরিটি অমদি মহৈরোয়শিং খুৎশম্নদুনা পরিং নাইনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চীঙাক পাক শন্না শীজিন্নরকপা অমসুং মসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে হায়বা হীরম অসিদা মহৈরোয় অমদি ওজাশিংগা পুন্না খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি অযুক ক্লাকৈথেলদা লৈবা মিলিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইন্সিটিট্যুট অসিগী প্রিন্সিপাল সোসোকখাইবম চাওবা, এক্টর কাইকু অমসুং দেসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট অনন্দ অহৈবমনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। ক্রিপা সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট হিজম দিনেশ অমদি এন বোবো সোসল এক্টিভিষ্ট অনীনা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

## ওল লিলোং এন্তি দ্রগ এসোসিএসন্না দ্রাইভ চত্থখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :
ওল লিলোং এন্তি দ্রগ এসোসিএসনগী দ্রাইভ সেক্রেটরি এম দি অবিদ হুসেনগী লমজিং মখাদা লিলোংগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা দ্রাইভ চত্থবদা মীওই অহুম নম্বর ফোর হেরোইন অমসুং দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেটকা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ওল লিলোং এন্তি দ্রগ এসোসি-এসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে ঐচ লিয়াকত অলিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লিলোংগী তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চত্থবদা নম্বর ফোর গ্রাম ১.৫, দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট অনী অমসুং মখোয়না শীজিন্নরম্বা ওটোরিক্সো অমা ফাগৎপা ঙম্লে।

ওটোরিক্সো অদুবু থৌরক্লিবা এম দি স্মাইল (৪৫) অপোকপা এম দি অব্দুল রহিম কৌবা ক্যামগৈ লৌবুক্তা লৈবা মীওই অসিগা লোয়ননা অহোংশাংবম গোবিন্দ (২৮) অপোকপা অহোংশাংবম শরত, উরিপোক বচস্পতি লৈকায়, য়াংলেম রাজেশ (২৬) অপোকপা য়াংলেম বিজান্দো কৌবা লুৱাংশঙবম ময়াই লৈকায়দা লৈবা মীওই অসি তোঙান তোঙানবা দ্রগ য়োনফমশিংদা চত্তুনা লৈহৌখোং লৈনুং হোটেলদা লৈবা রানি থোইবী, মপুরোইবা এম দি খোমৈদা নম্বর ফোর গ্রাম ১ অমসুং গুলি নিপান লৌরকখি হায়রি।

রাজেশনা তুরেল অহনবী বুয়া সলামদা লৈবা এম দি সলিমদগী নম্বর ফোর পিছ মরি অমসুং দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট অনী লৌদুনা রাজেশনা শীজিন্নখ্রে হায়রি। নম্বর ফোর অমসুং দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট য়োল্লিবা এম দি সলিম অমদি রানি থোইবী থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা চঙজরক্কদবনি। লোয়ননা এসোসিএসন অসিনা ফাগৎলবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা মখোয় অহুম লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## কে এস এগী খোঙজং শৌগৎলি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :
মীতোপ্পা লাঙ্গৈাই চনশিল্লক্লিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী) খূদিংমক য়েলহৌমী খক্তগী রিজার্ব তৌদুনা মীতোপ মীয়ানচানা ভোট লেপ্পা য়াদবা লো অমা শেম্নবা তকশিন্দুনা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মরম চাবা ওইবনা দি এম কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়রি।

দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সকী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা মীতোপশিংনা য়েলহৌ-মীশিংগী মশীংদগী হেনগৎলকপগী ফীভম লাক্লবা মতম অসিদা ঐখোয়না মহৈ তমদুনা মহৈরোয় অমা ওইবগী মথৌদি লাইরিক খক্তা পাবনা য়ারক্ত্রে।

ঙসি ঐখোয়না মহৈ তমদুনা লৈরি অদুবু চাউরক্লবা মতমদা মীতোপ্পা লৈঙাক পায়দুনা খুৎলিংদুনা পানখ্রবদি তমজরুবা মহৈ করিবু কান্নগদৌরিবগে। তুংদা ওইরক্কদবা খুদোংথিবা কয়াবু উশিন্নদনা মমাঙগী লৈঙাক অমদি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা উশিন্নদনা লৈরি। থৌওং অসি দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্স ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী ফ্লোরদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনা য়েলহৌমী কনবা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাংনি, পুন্না হোৎনমিন্নসি লোয়ননা ইলেক্টোরেল রোলদগী মীতোপশিং লৌথোক্লবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রগা হৌজিক ফাওবা করিগী তুমিন্না লৈরিবনো? মসিনা লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা ঈৱাং হৌনবগী চেবাউ পীবা ওইনা থোকহল্লে।

মরম অদুনা অথুবা মতমদা কে এস এগা ফমিন্নদুনা খোঙজংসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু। মদু নত্তদুনা অদুমক তুমিন্না লৈশিনবা তারবদি কে এস এনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা য়ুনিয়ন অসিনা শরুক য়াগনি অমদি খোঙজং কনশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

## 'মচাশিংবু চেকশিনবীয়ু'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :
ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী) হেদক্কার্টরগী প্রসিদেন্ট এম দি সয়দ অহমদ সেখপু মশাগী ময়ুমগী থোঙ্গালগা নক্লবা মফম ওইরিবা কালৈখোং মথক্তা নুপী অমা য়াওনা মীওই ৬/৭ লোম্না এটেক তৌরকপগা মরী লৈননা য়ুম্বুরেম্বীশিংনা ইমুং-মনুংগী মচাশিংবু চেকশিনবীয়ু হায়না এ এম এম দি সী ক্বাক্তা য়ুনিট টুনা ফোঙদোরক্লি।

এ এম এম দি সী ক্বাক্তা য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এম দি মজিবুর রহমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী মুস্লিমশিংনা খুন্দারিবা মফম খূদিংমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবা মফম অসি লিলোং কালৈখোং অসিনি। অচুম অরান খঙদনা লৈকায় মীয়াম হৌদুনা মী ফুবা, পোৎচৈ মুনবা, য়ুম য়ুমদা অকন-অরিং শীংনবচিংবা থৌওং কয়া চত্থরক্লিবা অসিদগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু হায়রি।

হৌখিবা চহী ১৬ লোম অসি লৈবাক মীয়ামগী থৌ পুরক্লবা এ এম এম দি সী হেদক্কার্টরগী লূচিংবা অমদা ৱাহং পাউহং তৌদনা খুৎ থারকপা অসি য়ানিংদে। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিদগী মমা-মপা ওইবশিংনা চেকশিনবীয়ু হায়রি।

লমদম অসিগী য়ুনিটি, পিছ অমসুং ইন্তিগ্রিটিগী মতাংদা লূচিংবা অমা ওইনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লূপ অমগী প্রসিদেন্ট অমদা খুৎ থারকপা অসি হকচিন্না লৌই। মমা-মপা ওইবশিংনা মতম লৈরিঙৈদা ৱারক ৱাতেন্বীহৌদুনা মচা ওইবশিংবু চেকশিনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

## এম বি সীনা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :
রিতা হাওরৈ কৌবী নুপী অমা থা অসিগী ৭তা লৈখিদবদা য়াংমি হাওরৈ অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংনা নংলিবা অৱাবদা মণিপুর বেপ্টিষ্ট কনভেন্সন (এম বি সী)না শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এম বি সীগী চেরোল অসিনা হায়, অসিগুম্বা মতম অসিদা তাইবঙ শেম্বা মপুদা ইমুং-মনুংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদু কোকহনবীনবা থৌনিরি। লাইবক থীবদি অসিগুম্বা থৌদোক অসি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা ৱাফম ওইনা পুথোরক্লে। মসি খুলগী ওইবা ৱাফমনি।

লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা ৱাফমদা পুশিন্দুনা তোঙান তোঙানবা খৃষ্টান গ্রুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা অমত্তা ওইবা অমসুং নুংশিবগী লীচিং অদু কায়হন্নবা হোৎনরোইদবনি। অমুক হন্না এম বি সীনা অসিগুম্বা ৱাথোক অসি লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা ওইনা মীয়ামদা উহন্দনবা আপিল তৌরক্লি। থৌদোক অসি অথুবদা লৈঙাং চীং ভীলেজ অমসুং ইমুং-মনুংগী মীওইশিং শংদাইবা পুরক্লবা থৌনিরি হায়রি।

## দ্রাইভরশিংনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :
ইম্ফালদগী ওইল টেঙ্করশিং মন্ত্রিপুখ্রিদগী সী আর পি এফনা ঙাক শেন্দুনা থা অসিগী ১৮দগী চৎকদবা অদু মরম কয়াদগী চৎখিদ্রে হায়না ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্কর দাইভরস য়ুনিয়ন, সঙাকফম বজারনা ফোঙদোরক্লি।


ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্কর দাইভরস য়ুনিয়ন, সঙাকফম বজারগী জেনরেল সেক্রেটরি পি রবিকান্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ওইল টেঙ্করশিং চৎখিদবগী মরুওইবা মরমদি য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংনা গাড়ীদা থাউ হাল্লগা লাকপা মতমদা ওইল টেঙ্করশিংদা দিমাপুর মনাক্তা নুঙনা থাজিল্লকপা অমদি ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা অকি-অখঙগী থৌওং কয়া চত্থরকপদগী থাউ চিংবা চৎখিদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি গভর্ণমেন্ট অমদি আই ও সীগী মরী লৈনবশিংনা অথুবদা য়েংশিনবীনবা অইবা চেরোল অমসু আই ও সীগী সিনিয়র দিপো মেনেজর, মালোমদা পীশিনখ্রে। অথুবা মতমদা অতোপ্পা থৌরাং অমা লৌখৎনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু তকশিনখি হায়রি।


Pileগী লায়নাশিং ফহনবা কবিরাজবু থাগৎচরি

**H. UMAR ANSHARI**

**Contact No. 8575765783/8258815243**



ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাল্লগসু য়াম্না লিক্লা হাম্বা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ য়াওরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা চঙলগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, অমাঙথোংদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, খ্বাঙ নাদুনা তৌরম্বা অদু মণিপুরগী মফম খূদিং চৎতুনা কয়া অমসু তানজরুরে। কান্নবা ইরৈ লৈতদুনা, অরোইবদা কবিরাজ **H. UMAR ANSHARI, 8575765783 / 8258815243** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা উমর অন্সারিবু মতম চূপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবীখো হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

**লায়েংফম : Lilong Lamkhai, Near Petrol Pump, Thoubal Dist, Manipur.**

**মতম :** অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা।

*থাগৎচরিবা :* **Khangembam Bidyachand Singh**
Langthabal Lep Awang Leikai.

HL-P/2220/18


## এ এম এম য়ু সী ওগী ৱাকৎ লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :
ওল মণিপুর মুস্লিম য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (এ এম এম য়ু সী ও)না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদু থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তববু নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

এ এম এম য়ু সী ওগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি অজাদ এম কেনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী মুস্লিম/মীতৈ পাঙলশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈঙাক্তা তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দ কয়া য়াওবা ৱারোলশিং হন্না হন্না পীশিনখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্লা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লবসু ঙসি ফাওবা চপ চাবা থবক থৌরম কয়া অনৌবা বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা এন বিরেনগী লৈঙাক অসিনা পাঙথোকপীরকপা লৈত্রি। মণিপুরগী মীতৈ পাঙলগী ৱাকৎশিং অসি অতেনবা মতমগী মনুংদা থবক ওইনা পাঙথোরক্কনি হায়বগী থাজবসু ওর্গনাইজেসন অসিনা থম্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী মুস্লিমশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদা পোষ্টর কেম্পেন অমসুং গ্রুপ দিস্কসন্নচিংবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি অমদি ৱাফম কয়া তকশিল্লক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা মুস্লিমশিংগী এপেক্স বোদিশিংনা মতেং পাংনীবসু ফোঙদোরক্লি।

## জেনরেল বোদি মিটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ : খা মণিপুর মল্টি ৱার্করস ৱেলফ্যের ট্রেদ এসোসিএসন হিয়াংলম অৱাং লৈকায়গী ওফিসতা থৌনাওজম ঙৌবনা প্রিসাইদ তৌদুনা থা অসিগী ১৩গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা জেনরেল বোদি মিটিং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কুমজা ২০১৭-২০২২গী থৌ পুনবা মেনেজিং বোর্দ মেম্বরশিং খনখ্রে। নৌনা থৌ পুরগদবশিং অদুদি থৌনাওজম ঙৌববু প্রসিদেন্ট, ৱাহেংবম অমুসনাবু জেনরেল সেক্রেটরি অমদি এলাংবম সুভাশচন্দ্রনা ট্রেজরর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

## এস এ এন পি ওনা মণিপুর লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) : ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী)গী জুরিসদিক্সন মনুং চনবা ভীলেজ খরা নমদুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্চায়ট ইলেক্সন অসিদা য়াওহন্নবা হোৎনরি হায়না সাইকুল এরিয়া নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোরক্লি।

সাইকুল এরিয়া নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এস এ এন পি ও)গী সেক্রেটরি এ এস লৈসি পেন অমসুং প্রসিদেন্ট চান্স লৈখামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, গভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা এ দি সী অমসুং পঞ্চায়টি রাজগী ইলেক্সন্দা ইলেক্টোরেল রোলগী মিং য়াওহনবগী থৌওং অসি হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা য়েংশিনগদবনি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিনা পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা অরানবা থবক থৌওং কয়া ভোটরশিংনা চত্থরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অসিগুম্বা পঞ্চায়টি রাজ ইলেক্সনগা মরী লৈননা ট্রাইবেল ভোটরশিং য়াওরিবা অসি লৌথোকপীনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা থবক থৌওং অসি পাঙথোল্লক্ত্রবদি মীয়ামগী য়েংদুনা ওর্গনাইজেসন অসিনা থবক থৌরম থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি হায়রি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : IMPHAL WEST - PATSOI**

***Ref:- Mut. Case No. 632/SDC/IW(P) of 2017***

1. Khumanthem Tejamani Singh s/o (L) Kh. Ibomcha Singh of Patsoi Part-II, 2. Kh. Dorendro Singh s/o (L), -do- of -do-, 3. Kh. Shanta Singh s/o (L) -do- of -do-.

-Petitioners

-Vs-

Late Khumanthem Ibomcha Singh s/o (L) Tomba Singh of Patsoi.

-Deceased Pattadar.

**NOTICE**

The 17th August, 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী থোঙদা খঙহঞ্জরি। ঈঃ ওঃ পাৎশোইগী খুল নং ৮০-পাৎশোইগী (১) পাট্টা নং ৬৫৭ (অনৌবা), দাগ নং ২৫০৭ কী এরিয়া ০.৩২ একর, ইঙ্খোল অমসুং দাগ নং ১০৪৭ কী ০.৬৫ একর অঙনফৌ (২) পাট্টা নং ৬০৮ (অনৌবা), দাগ নং ১৩৫১/১৫৬১ গী ০.৬২ একর, অঙনফৌ অমসুং পাট্টা নং ২২৬ (অনৌবা) দাগ নং ১০৪৮ গী ০.৬৩ একর অঙনফৌ হায়রিবা লমশিং অসিগী পাট্টাদার অসি মৃঃ ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিনা মৃঃ পাট্টাদার মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুং ইন্না দংকারি নং (১) দাগ নং ১০৮ গী অঙনফৌ লম অমসুং দাগ নং ২৫০৭ কী মনুংদগী অৱাং নোংচুপ্তা ০.১০৫ একর, দংকারি নং (২) দা দাগ নং ১৩৫১/১৫৬১ গী ০.৬২ একর, অঙনফৌ অমসুং দাগ নং ২৫০৭ কী মনুংদগী খা-নোংচুপ্তা ০.১০৫ একর, ইঙ্খোল অমসুং দংকারি নং (৩) দা দাগ নং ১০৪৭ কী ০.৬৫ একর অঙনফৌ অমসুং দাগ নং ২৫০৭ কী মনুংদগী মমাঙদা ০.১০৫ একর, ইঙ্খোল অদুগা দাগ নং ২৫০৭ কী মনুংদগী লেমহৌবা ০.০০৫ একর অসি দংকারিশিংগী লমশিং ওইনা মথংশিংনা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃঃ পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৬/৮/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চত্থরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector,Imphal West, Patsoi

HL-P/2560/19